**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 08-03-2025)**

**বস (এল) ঃ** রাজ্য অসিদা তংদু লৈতাবা ফিভম পুরকবা অমদি অয়েৎ অপন য়াওদনা চৎথোক চৎশিন তৌহন্নবা সরকারনা লৌখৎপা খোঙথাংগী শরুক অমা ওইনা লম্বী খরদা বসশিং চেলহন্নবা অমদি হেলিকোপ্তর সার্ভিস হোহন্নবা থৌরাং তৌরে।

রাজ্যগী চীফ সেক্রেটরি-পি.কে. সিংহনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা হায়-অকনবা ঙাকশেল থৌরাংগা লোয়ননা ইম্ফাল-কাংপোকপী-সেনাপতি অমসুং ইম্ফাল-বিষ্ণুপুর-চুরাচান্দপুর লম্বীদা ঙসিদগী মনিপুর ষ্টেট ট্রান্সপোর্টকী বসশিং চেনবা হৌরগনি। বসশিং অসি অয়ুক পুং ৯ দা ইম্ফাল ইয়ারপোর্টতগী খোঙশানগনি হায়রি।

মসিগা লোয়ননা ইম্ফাল অমসুং চুরাচান্দপুর অমদি উখ্রুলগী মরক্তা পাইবা হেলিকোপ্তর সার্ভিসসু ঙসিদগী হৌরগনি। বসশিং অসি চেনথোক চেনশিন তৌবদা অপনবা পীবশিংগী মথক্তা আইনগী মতুং হন্না থবক লৌখৎকনি হায়নসু চেরোল অদুনা মখা তারি।

**খুৎলায় (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা আইননা থিংখ্রবা লালহৌলুপশিংগী মীওই কয়া ফাগৎলে।

রাজ্য পুলিস কন্ট্রোল রুমনা ঙরাং থোকখিবা চেরোল অমদা হায়-তেংনৌপল জিলাগী মোরেগী লোকচাড তুরেল মনাক্তগী কে.ৱাই.কে.এলগী মীওই অনি থা অসিগী তরুক্তা ফারে। প্রিপাক্কী মীওই অমসু ফারে।

ইম্ফালগী লমফেলপাৎতা লৈবা রিমসকী ম্যেন গেট মনাক্তগীসু কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.দি) গী মীওই অনি ফারে। ইম্ফালগী বির টিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেসনেল ইয়ারপোর্ট গেট মনাক্তগী কে.সি.পি. (পি.ডব্লিয়ু.দি) গী মীওই

অমা ফারে। কে.সি.পি. (তাইবংঙানবা) গী মীওই অমসু ফারে হায়রি।

ইম্ফাল ইষ্ট, বিষ্ণুপুর, সেনাপতি, ফেরজোল, চুরাচান্দপুর, থৌবাল, চান্দেল অমদি তেংনৌপল জিলাগী তোঙান তোঙানবা মফমশিংদসু খুৎশু খুৎলায় কয়া সরেন্দর তৌরকখ্রে।

**ঔসাদি (এল) ঃ** ষ্টেট হেলথ সোসাইতি মনিপুরনা শিনদুনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী হেলথ ফেসিলিটিশিংদা ঙরাং জন্ন ঔসাদি দিবসকী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

পালন থৌরম অসি জেনরিক দ্রগশিংবু অহোংবা মমলদা ফংহল্লিবা প্রধান মন্ত্রি জন্ন ঔসাদি কেন্দ্রশিংগী মতাংদা মীয়ামবু নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

**এআর (এল) ঃ** নুপা নুপী থাক মানহন্নবা অমদি নুপীশিংদা শক্তি পীনবগী পান্দমদা অসাম রাইফলসনা শিনদুনা মোরে, চান্দেল অমসুং তেংনৌপলদা মালেমগী নুপীগী নুমিৎকী পালন থৌরম পাঙথোকখ্রে।

মোরেদা নুপীদা অহেনবা শক্তি পীবগী মতাংদা মোতিভেস্নেল লেকচর, নুপীদা মীওৎ মীনৈ চথবা অমসুং ৱাখল লায়নাগী মতাংদা কাউন্সিল্লিং সেসননচিংবা পাঙথোকখি। চান্দেলদনা যোগ সেসন অমগা লোয়ননা উ চারা কয়ামরুম থাখি।

তেংনৌপলদসু স্বাচতা অভিয়ান, যোগা সেসন অমদি নুপীগী হকশেলগা মরী লৈনবা থৌরমশিং পাঙথোকখি।

নহাশিংগী য়াইফ থৌরাংগী শরুক অমা ওইনা অসাম রাইফলসনা থৌবাল জিলাগী লিলোং উকু মমাংদা তাজিন তাইকুন্দো মারসেল আর্টস ত্রেন্নিং একাডমী অমা মীয়ামদা খুৎশিন্নখ্রে। থৌরমদুদা শকাইরবা মীওইশিং অমদি মফমদুগী মীওই ২০০ হেনবনা শরুক য়াখি।

**ফুটগাল (এল) ঃ** বেতি বচাউ-বেতি পরাউ কেম্পেইন অমদি মীখলগা মরী লৈনবা ৱাফমশিংগী মতাংদা মীয়ামদা নীংথিনা খঙহন্নবগী পান্দমদা চুরাচান্দপুর দিষ্ট্রিক্ট এদমিনিষ্ট্রেসননা চথখিবা ফুটগাল থ্রি পোইন্ট জিরো ঙরাং বুংমুৱালদা লোয়শিনখে।

লোয়শিনবগী থৌরমদা ৱা ঙাংবদা জিলা অদুগী দিপ্যুতি কম্মিস্নার-ধারুন কুমারনা হায়-নুপীগী থাক ৱাংখৎহল্লবতদা মালেমগী থাকসু ৱাংখৎলক্কনি। নুপীমচাশিংবু নীংথিনা মহৈ মশিং তমহন্নবা মমা-মপা ওইবশিংদা তকশিনবগা লোয়ননা মহাকা চুরাচান্দপুর অসি অৱাং নোংপোক ভারতকী নুপীশিংগী হক অমদি অৱাংবা থাক্কীদমক মোদেল দিষ্ট্রিক্ট অমা ওইরক্কনি হায়বগী আশা ফোংদোকখি।

**ডে ঃ** ঙসি মালেমগী নুপীশিংগী নুমিৎনি। কুমশি চহিগী পালন থৌরম অসিগী থিমদি-'নুপী অমদি নুপীমচা খুদিংমক্কী হক, মান্নবা থাক অমদি শক্তি পীবা' হায়বসিনি।

ইন্দিয়ান মেদিকেল এসোসিয়েসন-মনিপুর ষ্টেট ব্রান্সকী ৱিমেন ৱিংনা শিনদুনা নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম ইম্ফালগী ইমা কৈথেলদা হৌজিক অয়ুক পুং ৯ মখায়দা পাঙথোক্কনি। পালন থৌরম অসিগী শরুক অমা ওইনা সরভাইকেল কেন্সর, হেমোগ্লোবিন স্ক্রিনিং তৌবা, বোর্ন স্কেন, জেনরেল হেলথ চেকঅপনচিংবসু পাঙথোক্কনি। তোঙান তোঙানবা লুপ কয়ানসু নুমিৎ অসিগী পালন থৌরম পাঙথোকগনি।

মালেমগী নুপীগী নুমিৎকা মরী লৈননা রাস্ত্রপতি-দ্রৌপদি মুরমুনা পীবা মহাক্কী পাউজেলদা হায়-মালেমগী নুপীগী নুমিৎ অসি, নুপীগী শক্তি অমসুং মখোয়না লৈবাক্কী অমদি খুন্নাইগীদমক পাঙথোকপা থোইদোক হেন্দোকপা থবকশিং অদুবু ইকায় খুমবা উৎপগী থৌরম অমনি। রাস্ত্রপতিনা হায়-নুপী হায়বসি ইমুং, খুন্নাই অমসুং লৈবাক্কী খ্বাইদগী মরুওইরবা শরুকনি। মখোয়না

তোঙান তোঙানবা লমশিংদা শিংনবা কয়াগা লোয়ননা মায় পাকা চংশিল্লি।

শ্রীমতি মুরুমনা মখা তানা হায়-নুপীশিংগী সমাজিক অমসুং শেল থুমগী ফিভম ফগৎহন্নবগীদমক থবক কয়া মখা তানা পায়খৎপগী তঙাইফদবা লৈরি।

অকাশাবানি (ন্যুজ) নসু মসিগী ইংগ্রাজি অমসুং হিন্দিগী পাউ পুমমক নুপী পাউ পাবীশিংনা পাহন্দুনা মালেমগী নুপীগী নুমিৎকী পালন থৌরম তোপ-তোপ্পা মওং অমদা পাঙথোক্লি।

ঙসিগী নুমিৎ অসিগী ওইনা হিন্দি অমসুং ইংগ্রাজিগী মপুং ওইবা পাউ অমদি পুং-পুংগী ওইনা পাবা পুন্না পাউ ৪৫ অমদি ন্যুজ মেগাজিন থৌরমশিং নুপী পাউ পাবীশিংনা পাহনগনি। অকাশবানিগী ন্যুজ সাভির্সেস দিভিজনগী নুপী ষ্টাফশিংনা ঙসিগী ওইনা হিন্দি অমসুং ইংগ্রাজিগী ন্যুজ রুমশিংগী থবক থৌরমশিং পুগনি।

**পাইলোট ঃ** রেল মন্ত্রালয়না হায়রি-লৈবাক অসিদা নুপী লোকো পাইলোটশিংগী মশিং শিংথানিংঙাই ওইনা হেনগৎলক্লি। খুদোংচাদবা কয়া লৈবনা মরম ওইদুনা হান্নদি রেলৱেজদা নুপা লোকো পাইলোট ঙাক্তা লৈরম্বদু হৌজিক্তি শিনফম অসিদা নুপী কয়াসু য়াওশিল্লক্লি। মসিগী মথক্তা ষ্টেসন মাস্তর, ব্রেক মেন, সিগনেল মেনটেনেন্স, গার্দস অমসুং গেং মেন ওইনসু নুপী কয়া চংল্লক্লি। মসিগা লোয়ননা হৌজিক রেলৱেজতা নুপী কর্ম্মচারিশিংগী মশিং অসি লাখ অমা হেল্লে। মসি অপুনবা কর্ম্মচারি মশিংগী চাদা ৮.২ রোমনি।

২০১৪ দা নুপী লোকো পাইলোটকী মশিং অসি ৩৭১ ওইরম্বদু হৌজিক্তি লিশিং ১,৮২৮ তা হেনগৎলে। মখোয়শিং অসি অয়াম্বনা উত্তর প্রদেস, তেলঙ্গানা অমসুং তামিল নাদুদগীনি।

সুরেখা যাদব অসি এসিয়াগী ওইনা ইহান হানবা নুপী লোকো পাইলোটনি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

ফোক্সনা শান্তিগী খোঙচৎ শেম শাবা লোয়খ্রে, মনিপুরদা শান্তি হনজিলহল্লকবা থাদৌ ইনপি অমদি মীতৈ এল্লাইয়েন্সকী মীফম দিল্লিদা পাঙথোকখিবা অমদি ঙসিদগী বস চেনবা অমদি হেলিকোপ্তর পাইবা হৌরগনি হায়বা পাউনা ঙসি ফোংবা পাউচেশিংগী মরুওইবা পাউশিং ওইরি।

নেসনেল হায়ৱেশিংদা মীয়াম চৎথোক চৎশিনদা অপনবা থোক্তনবা সেক্যুরিতি কনখৎখ্রে। ফোক্সনা খোঙচৎকীদমক শেম শারি। কোটুনা খোঙচৎ অদুগী মায়োক্তা লেপলি হায়বা পাউনা সনা লৈবাক্কী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা হৌরিবা ইরাং ষ্টেটকী মায়োক্তা নত্তে, ইং তপ্পা পুরকবনি হায়দুনা মীয়ামগী মথক্তা আম ফোর্স শিজিন্নবা য়াদে-রিজিজ্ হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাং পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাউ অসি পিপলস ক্রোনিকল অমসুং মোরনিং বেলদসু তোঙানবা মওংদা হেদলাইন তৌদুনা অহানবা পাউ ওইনা ফোংলি।

লুট তৌখ্রবা পীখৎলক্তবা নোংমৈশিং লৌখৎনবা ওপরেসনশিং চথ্নগদৌরি হায়না সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা বেন্নর হেদলাইন তৌরি।

গভনরনা পীখিবা খুৎলায় পীখৎলকবগী মতম লোয়শিনখিবগা চিং-তম অনিমক্তা ওপরেসন হৌখ্রে হায়বা পাউ পোকফম পাউচেগী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

ঙসিদগী ইং তপ্পা পুরকবগী খোঙথাংদা ইম্ফালদগী সেনাপতি অমসুং চুরাচান্দপুর ফাওবগী বস সার্ভিস হৌরগনি-চীফ সেক্রেটরি হায়বা পাউ হুইয়েন লানপাউগী অহানবা হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি মনিপুর মেলদসু অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুরদা শান্তি হনজিলহল্লকবা থাদৌ ইনপী অমদি মীতৈ এল্লাইয়েন্সকী মীফম দিল্লিদা পাঙথোকখ্রে হায়বা পাউ নহারোলগী থৌদাংগী অনিশুবা

হেদলাইন ওইরি। পাউ অসি সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদসু মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।

মনিপুরদা কংগ্রেসনা ইলেক্সনগীদমক শেম শারে হায়বা পাউ ইন্ফাল ফ্রি প্রেসকী অহানবা হেদলাইন ওইরি।

বেতি বচাউ-বেতি পরাউগী চহি ১০ শুরকপা পালনগা মরী লৈননা হায়স্কুলগী মহৈরোইশিংগী লাই য়েকপা চাংদমবা পাঙথোকখে হায়বা পাউ সেনাপতিদা ফোংবা হিলস হোর্ন বিল এক্সপ্রেসকী অহানবা হেদলাইন তৌরি।

মনিপুর পুলিসনা ক্লাস টুয়েল্বকী ফিজিক্স পেপর লিগ ওইহনবদা চেন্নবা মীওই অহুমগসু ফারে হায়বা পাউ গানফিয়ু মেলদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোংলি।